

*"নীংতম্বা মাঙখ্রবা জাতি, মীপান তাংদনা হিংঙমদ্রবা মখোয়মুক তোনবা কদাইদা লৈ।"*

*- সোনামনি (ঐগী ৱাকৎ)*

## হল্লকখো লময়ানবা নঙবু

**—বিশন লুৱাং**

শাফোংবিরো! ঙান্থোইবীররো! লমজিংবীররো!
লমলেন পোইরৈ কৈদবু লোৎলিবগে
লায়রবগী লুচিংবা লময়ানবা নঙবু।
"পলেমগী পিবুক থন্না থকখিদবনা
ইমাবু ৱারৌদুনা লোৎলবরো নঙবু"
হল্লকখো ফুরুপকী লুচিংবা লময়ানবা।

কংলৈ ইমাগী অচঙব-ও
নীং-তম্বগী থৌবুরোই লুচিংপুরেল।
নারক মোংশোংনা নয়ূমগুম লেনখিবা
নপারি ঐখোয়না কাউঙমদে।
হল্লকখো-ইমাগী পিরাং তৈথোক্লমখো
হল্লকখো লময়ানবা হিজম ইরাবত।

শুক্ল উমং ৱামংদা,
তিনফা-কাকফৈ মরক্তা
ইমা কংলৈ, ইমা মণিপুরগীদমক
ওন্না থোইনা শান্নজখি হরাউনা।
লুচিংপুরেল লময়ানবা নঙবু
হল্লকখো-ইমাগী পিরাং তৈথোক্লমখো।

## ঐগী কলম

**—থোইবী হাও**

কলমসে কয়াদা নুংশিখ্রবা
ওইরিবনি মহাকসে ঐগী মরুপ
নাইতোম তারবা ঐহাক্কী
মপাং ওইরিবনি মহাক্লা।

ৱাখল মানা ফুম্বংনরবদা
পোত্থাফম ওইরিবনি মহাক্লা
ফোঙদোক্লীংবা থম্মোয়গী ৱারোলসু
মহাক্কী মতেং নত্তনা লৈতে পাম্বে।

মতম চুপ্পগী থানবা য়াদ্রবা
মরুপনি মহাকসে ঐগী চান্নবা
লৈরিবমখৈ মহাক্লা
নাইতোম তারবসু তাদবগুম্বনি।

ঐগী কলমগী মথৌনা
চাংদম্নবা য়ারোই কৈদৌনুং
মহাক্তি ঐগী পুন্সিনি
লৈতে অতোপ্পা অমা মাগুম্বা।

চৎমিন্নরি পুন্সি খোঙচৎতা
মতম পূম্বদা মহাক্লা মাঙজিন থাবীরি
লেপ্পা লৈতনা চোকথবা নাইদনা
মহাক্তি ঐগী পুন্সিনি-থৌনানি।

ৱাখলগী অপাম্বা খোল্লাউ
ফোঙদোক্লি মহাক্লা
লেপ্পা লৈতে মাগী খোঙচৎ
ৱাখল মানা লেপত্রবদা।

কলপনাগী খূৎথেক্তা
শারি জগোয় হাইনা-হুইম্না
ঐগী নুংশিবী কলমনা
মনীংতম্না মীখা পোন্দনা।

## কুমগী নোং

**—খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর**

চুরো নোং জম-জম
শিৎলো নুংশিৎ লিরি-লিরি
ইঙা ইঙেন থৱান থা
নকুম নথানি
কনাসু শাউররোই,
নচিন ননাও কপচেৎপী
নতারোইলক্তা পিনৌবী
কুমদম ঈশৈ শক্তুনা।

পুখ্রি খোংবাল থলহল্লো
তুরেল ঈচেল নাইহল্লো
তোর্বান ইমায় চোলহল্লো
লৌবুক লৌরি পাহল্লো,
মালেমসে নিক-নিক লংহল্লো
ঈংহল্লো থম্মোয় ইমাগী
চোঙহল্লো লৈয়োল কংলৈগী।

মহৈ মরোং চুল্লনি
হৈরাং হৈজিং ফারনি,
লৈরাং লৈকা শল্লনি
ফৌগৈ চেঙ্গৈ চোল্লনি,
লনগী লনগৈ থল্লনি
থৱায় লৈরাংশিং হরাউরনি,
মপূ মাগী শিন্থানি
চুরো নোং জম-জম।

## মঙ লৈবাক

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মঙ লৈবাক অদো
অঙাকপা নত্তে
পুন্সিগী হৌখ্রবা অমদি
লাক্কদৌবশিং অদুগী মমি তারি।

তারক্লিবা মমিশিং অদো
নীংশিং নীংশিং
মশক মশা খঙদ্রবা কয়া অমসু উরি
চেন চোঙদুনা শান্নরি।

মঙগী পুন্সি
তাইবঙ মঙফাওনবগী পুন্সি
খেন্নবা করিনো,
অৱাবা, নুংঙাইতবা
মীৎকুপ অদু নত্তনা,
মঙ, তাইবঙ খেন্নবা
করিসু লৈতে।

ঐনা হায়বা অদুনি
ঙরাং মঙদা উখিবা অদুনি
মঙ তাইবঙ মরী ইরৈ লৈনৈ
পূম্নমক ঐগী ৱাখল
ঐগী হকচাং পুরিবা
ইন্দ্রিশিং অসিদগী
থোকখিবা ঙাক্তনি।

## অচাকপা মোমবতি

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

কৈদৌঙৈদা লেপকনু
অতোপ্পগা শরুক য়ামিন্নবা,
অতোপ্পবু শেন্নবিবা,
অতোপ্পবু মতেং পাংবিবা
মরমদি মদুনা পুন্সিবু
হেন্না হেন্না ৱাহন্থোক লৈহল্লি।

মোমবতিনা অতোপ্পা মোমবতি অমদা
চুদুনা ঙালহনবদা
করিসু মাঙজদে মহাক্কী।

অদুনা ওইয়ু নহাকসু
অচাকপা মোমবতি
অদুগা য়েল্লু মঙাল
অতোপ্পা মোমবতিশিংদা।

## লোইনাইদ্রবা খোঙচৎ

**—য়েঙ্খোম তোম্বী**

রথ যাত্রা লোইখরে
কৃষ্ণ জন্ম হৌখ্রে
লাংবন তর্পন চৎখরে
মেরা পুজা লাক্লেদো
হরিগী কোলোই শক্লেদো
গোবিন্দগী নামবু শোন্নরি
তাইবঙ পূক্লিং ঈংনরি।

হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদি
নিংঙোল পূক্লিং হরাউজৈ
নীনি পানবা থবান্দা
মপাম লমদম উগনি
পলেম পম্থৌগী চাইগোন্নুং
মবুং মৌপ্বাগী মকাদা
য়াইফ থৌজাল পীগনি।

পোইনু থানা লাকপদি
মোমোন মীনোক তম্মীদো
মায়থোং মকা লামনৈদো
পান্থোইবী ইমাবু ইরাৎনৈ
ৱাকচীং থানা লাকপদি
অৱাৎ অপা লৈতবী
ইমোইনু ইমাবু থৌনিজৈ।

লমতা থানা লাকপদি
লৈশা-পাখঙ হরাওজৈ
য়াওশঙ কুম্মৈ মখল-মথেল
অঙাং ময়াম গ্রুপ গ্রুপ
ঋতু তরুক্লা থৌগল্লিবা
ইমা লৈবাক মণিপুর
পোকচদুনা শিজনীংই লমদমসিদা।

## মোই-বা

**—মনি থৌদাম**

লৈমীন্নরিঙৈ য়ূম্বালমীন্নরিঙৈ
মীনোক, মীৎয়েং, মীতানরিঙৈ
চৎথোকপা পামদে নাপদগী
নুংঙাইবনি, নুংশিবনি পুন্সি মতাং
মুন্না য়েংহৌদে নুংশিবনা
থল্লি থম্মোয়দা ফুমদুনা।

মহেল্লি শকওং শাদা মাতনা
মায়-মায় ওনশিন্নবা ইকায়
অরৈ লৈতা ৱাতানরিঙৈদা
পুন্সি খোঙলোই চিন্দম্নখিবা
নম্মীন্নখিবা ইবানিগী ফোটো
য়েংল য়েংল কপনীংই!

থোরক্লে হৌখিবা মমি শামি
থম্মোয়গী কুয়োমদা লোৎলুরবা
থৱায়না হকচাংগা পুনখিবা।

ঙসিনা, শেৎতোক্লুরবা থৱায় হকচাং
পুঙমদা, অয়ৌবা মৈচাক
খঙহন্দনা শিন্থরিবা মীৎলু পিরাং
য়েংবা ঙমদা ফোটোসে ইমিৎনা
হেন্না হেন্না নুংশিথোইরে।

য়েংল, য়েংলা ৱাহল্লে হেন্না
নীংঙমদবগী পোৎলুম্না নল্লে
অসিনি মপূ মাগী খুদোল!

করম্না কাউগনি, করম্না কোক্কনি
হুল্লরোইদবা অনৌবা য়েন্নিং
উররোইদবা পুন্সিদা শক্তমদু
হেন্না থোইনা মৈশা লাংবা
থাদোকখ্রে মচিন্দগী কৌরম্বা
কৌরনরোইকো - মোই-বা!

## লৌমী অমগী ৱাখল

**— সনবম বীকেন্দ্র**


নোংজু নুংশা থিরুদে, চৎলি শুরি মফম খূদিংদা
থেংনরি অকী-অখঙ কয়া, কিরুদে অখাক-অরাউ মখোয়দা
কোক্লি অশূক অশূকপা উমং-ৱামং, চারা খরগীদমক হিংবদা চঙবা।

থারি মখল মখল মখোয়না, মহৈ মরোংদবু ফংলবদি
খল্লি ৱাখল মওল মওল, হিংবগী ৱাহন্থোক্লবু লৈরবদি
তাওথরি ৱাখলগী হিনা, পুথরি অচৌবা ঈপাক তম্না।

ফংলকত্রবদা কুম অমগী, ৱাজরি চহী অদুমা
শোল্লি চিনবান্দা অঙাওবগুম, ময়েক শেংদনা মুরুম মুরুম
খল্লি লাক্কদবা চহীগী, উরকত্রবদা অনৌবা থৌনা।

# থম্মোয়গী নুংশিবদি অমত্তনি

## (নুংশিবদগী ওল্লকপা মীনুংশিগী মচু অমা য়েক্লিবা নোবেল)




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | থম্মোয়গী নুংশিবদি অমত্তনি |
| মখল | ঃ | নোবেল |
| অইবা | ঃ | খোইবী (মেমেচা) পাওনম |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | পাউনম রুপচন্দ্র সিংহ |
| মমল | ঃ | ১৬০/- |
| পাউদন্নিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**নুংশিবসু,** মীনুংশিসু থমোয়দগী থোক্লকপা ঙাক্তনি, থমোয়গী মরল ঙাক্তনি। অদুবু মীওইবগী থমোয়গী ৱাসি নৈনবগী লোইবা নাইরোই। শম্না হায়রবদা খোরিরোলগী মচল পূম্বা থমোয়দগী শাগৎলকপা, থমোয়দা লোইবা ৱা ঙাক্তনি। অদুবু ৱাফমসি সাইন্সনদি অমা ওইনা হায়রি। থমোয়না তৌরিবা মথৌদি ঈ য়েন্থোক য়েনশিন্দনি। খায়দোক্তুনা য়েংবদা থমোয়গী শরুক অমত্তদা নুংশিবগী, মীনুংশিগী মথৌ তৌফম অমতসু লৈতে। পূক্লিং হায়বসু থমোয়গী মফম অমতদা তুংফম লৈতে। অদুদি থমোয়গী মথৌসি কনানা তৌরি, কনানা কমদৌনা হায়রল্লিবনো? হায়রিবা পূম্নমক কোক্লা তৌবা ঙাক্তনি, কোক খায়দোক্তুনা য়েংলবদি খঙগনি। পিকখ্রবা কোক অসিদা তাইবঙগী থবক পূম্নমক তৌফম য়াওরি। খোঙনা লেঙলিবা, খূৎনা হাইরিবা কোক্লা তৌবা ঙাক্তনি, চাক লাম্বসু, নুংশিবসু, মীনুংশি পোকপসু কোক্লা তৌবা ঙাক্তনি হায়রি। পূম্নমক অসিবু থমোয়গা পকশিল্লম্বনা তাইবঙগী কল্পনাগী শক্তিনা থোকহল্লম্বা ওইরে। মসিনি তাইবঙগী অঙকপা, মসিনি তাইবঙগী কল্পনাগী শক্তি। তারক্লিবা পিগী হৌরকফমসু মফম য়াল্লি, পিগী মখলসু ৪ শুরি। অদুবু ঐখোয়না থমোয়দগী চেন্থরকপা ঈচেল অমা ওইহল্লি। মসিনি ঐখোয়গী অঙকপা খূৎশেম। অঙকপা কল্পনা। মসি পূম্বা হৌরকফম থিরুবগী খোরিরোলগী কান্নবা লৈতে। পূম্নমক থমোয়গী মরলনি হায়রগা লোইশিনবনা ঐখোয়গী ফরবনি।

অদুবু নুংশিবগা মীনুংশিগা লমখায় অমা লৈনরি। নুংশিবদি য়াম্না ওইজবা থিবা পোৎশক্লি, নুংশিবদি ইশাগীনি, কত্থোকপা য়াওদ্রি। অদুবু মীনুংশিদি ঐনা নুংশিজবা পোৎশক্তু থাদোকপা ঙল্লকইবনি, কত্থোকপনা মীনুংশিগী মচুনি। নুংশিবদগী মীনুংশিগী থাক য়ৌরকপা ওন্থোক্লা ৱাখ্রবা থাক ওইরকই। লৈরাংগী লৈনম্না লৈকা থাদোক্তুনা মালংগী মতুং ইনখিবমক্লি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমসি অসুম্না নুংশিবদগী ওল্লকপা মীনুংশিগী শক্তম অমা য়েক্লিবা নোবেল অমা ঙসি পাবা ফংলে। ফিদম্না পিক থল্লবা লামায়শিংনি। হৌবদগী লোইবা ফাওবা নুংশিবনা ময়ূং কারগা মীনুংশিনা মফেল ওইবা ফজখ্রবা ৱারীনি, ঈথক ঈপোম নাইনা চেনবা ঈচেলমক্তি নত্তে, মোং হাদনা তম্পাক তল্লিবা ঈচেলনি। লাইবক্লা নাথৈখ্রবা নুংশিবা অদু মকা ফোংদনা, থমোয়গী কাচিন্দা ফুমদুনা থম্নখ্রবা শাবী-শানৌ অনীগী নুংশি ঈচেলনি। শেলনা মীগী মমল লেপ্পবা হোৎনরুবা মায়থীবা নংদুনা তোকখিবা, লান্না তানবা শেলদি লান্না অদুম লোইখিনি উৎলিবা ৱারীনি। মীওইবগী পুন্সিদি অকুম-অকা নাইবনি, অসি মওইরে লৈতবনি হায়রিবা প্লোটনা ফিশা কূংনা শারিবা নোবেলনি। পাবা হৌখ্রবদি লোইদ্রিবা ফাওবা তোক্লিংদবা, ৱারী ৱাকোয় পঙসু শূদবা অইবী অমগী কলমদগী থোক্লকপা পোত্থোকনি। হান্না, নোবেল ১, ঈশৈ শৈরেং অমা ফোঙখ্রবী, দ্রামা লাইরিক অমসু ফোঙগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবিনি। মহাক কনাসু নত্তে, লৈবাক্লা নৌনা থোক্কদবী অইবীনি, খোইবী পাউনমনি, ময়াম্না মেমেচা হায়না খঙনবী। মমাঙগী নোবেল অদুদি পাবগী খুদোংচাবা ফংহৌদ্রে। হন্দক্কী অসিদি মখল অমগী নোবেল অমনি। নোবেল অয়াম্বদা থেংনরিবসি নুংশি ঈচেলদা অথীংবা হেক পীরুবদা পল নমখায়বা নৎত্রগা নাসিখোং থিরকপা ঙাক্তনি। ঙমদ্রগনা থৱায় থাদোকপা। অদুবু নোবেল অসিদদি কায়নবনা পন্থুংনি, অদুবু শাবী-শানৌ অনীমক লাইমল ওইনদে, তাইবঙগী হৌনবনি খন্দোক্লে। অহিং অহিং কপ্পরবসু অয়ূক-নুংথিল তাইবঙ লোনচৎ কায়দনা পুন্সিবু মায়রোং চপ চানা য়াবা ঙম্নখিবা অতাঙবা খূৎশেম্নি হায়নীংঙি।

ৱারীদি অসিনি। চৈরাও-চীং কাবদা থেংনদুনা খঙনখিবা শাবী-শানৌ অনী, সনাজাওবা অমদি নুংশিতোম্বী উবদা হেক্তা থমোয় য়ৌনা নুংশিনখিবগী ৱারীনি। অদুবু মখোয় অনীনা ফনা নুংশিনদুনসু থুংনখিদে। নুংশিতোম্বীগী মমা-মপা অনীমক পৈশা লান্না তানবা, দ্রগ কারবার তৌবা, শেলনা মী লৈনি খনবা, লাইরবা মীবু মী ওইনা খন্দবা ইমুং ওইরম্বনা নুংশিতোম্বীবু লাইরবা সনাজাওবদা খক পীনিংখিদে। অদুগী মথক্তা মবুং অহুমদুসু শেলবু ৱাইদৌনা শীজিন্নবা, পুন্সিবু মখূত্তা পায়দুনা শীজিন্নবা মীশক ঙাক্তনি। অমনা নুপীদা, অমনা দ্রগতা, অমনা সার্টিফিকেট অশাবা লল্লোনবা ওইদুনা মাঙখি। অহুম অদুগী খূৎচাউদা ইমুংদু মীগী শেলনা খ্বাঙ কোয়রক্লবদা দ্রগ কারবার তৌমিন্নবা ইমুং অমনা কনবীখি। মদুগীদমক মচানুপী নুংশিতোম্বী পীবা তাখিবনি। ইমুং অমদুগী দ্রগ লল্লোনবা মচাদুদা। অদুনা শিবসু ঙমদা, নুংশি মতুং ইনবসু ঙমদা সনাজাওবনা কলকতাদা লাইরিক তম্বা চৎখ্রিঙৈদা নুংশিতোম্বী লুহোংথোকখি। ফনা কপ্তুনসু কান্নদ্রবদা মাগী নুংশিবনা থমোয়দা লোৎলগা তাইবঙগী লোনচৎ ওইনা মৌ অনৌবী ওইবগী মথৌ খঙনা লেনবা হৌখি। মমৈথংদা মাগী নুপাদু দ্রগকা কোন্ননা ফারবদা জেলদা লৈখি। কেশ থেংনবদা মরোল মরাং তাকখি। অদুবু কনবা ঙমখিদে। চহী ২০ জেলদা লৈবা তাখি।

শোমদনা সনাজাওবা এম এ লোইদুনা, ডোক্তরেট ফাওবা ফংদুনা থোক্লকখি। মৈচাক পুনা পুনা। মমা মপাগী য়াথং ঙাক্লা অদুবু ৱারক চেৎপী মমা-মপাদু মমৌ অমতং পাল্লকপদদি ফংবা ঙমখিদে। সনাজাওবা নুপী থিয়ু য়াখিদ্রে। নুংশিতোম্বীগী নুংশিবদা কৎখ্রবা মপুন্সি অমুক য়েন্নীংথা লাক্লরোই হায়বসিনা মাগী ৱাখলনি। মতম পূম্বদা নুংশিতোম্বীগী মপাউ তানীংবনা অমুক্তং উননবা লাইনীং ওইদুনা লৈখি। নোংমা থেংনবদা নুংশিতোম্বীনা লাইবক্ল া নাথৈখ্রবা নুংশিবনি, হঙ্গৎনা চেল্লু য়াররোইদবা ঈচেলনি। হন্দক মপোকসিমদি ঐবু ঙাকপীরো হায়রক্লবদা সনাজাওবা নুংশিবনা মীনুংশি ওনখি। নুংশিতোম্বীগীদমক অরৈবা শেল পাংখি। কেশকী ৱারবা মতমদা। অদুগা হায়খি, "থমোয়গী নুংশিবদি অমতনি: পুন্সিসিমা মবুং অমগী শক্তম লৌদুনা ইচলগী মতেং পাংলক্কনি।" কয়াদা ৱাংখ্রবা অশেংবা নুংশিবনো?

অইবীনা চাংয়েং তৌরি, তাইবঙসিদা নুংশিবগীদমক লৈবাক ৱাথোক ওইগদবগী শরুক অসুম্না মীনুংশি ওনহল্লগা হিংবা ঙম্নরবদি অফবা মালেম অমা শেম্বা ঙম্বা য়াইনা হায়না। অইবীগী নীংবা থুংবা য়াই, অওনবা তাইবঙ অমা লাক্লবনি। শাবী-শানৌ অনীগী ৱাংখ্রবা ফিদম অসিগী মথক্তা অইবীনা লমচৎ অনী অমগা শেল্লি সব- প্লোট ওইনা। মেম্মী কৌবী নুংশিতোম্বীগী মমান্নবী চুম্না ৱাখল খনবা ঙম্বী লৈশাবী অমনি। মানা মাগী অখাকপা লৈতবা মরুপ অমগী চপ চাবা মথৌ তৌবা ঙমখিবা অসিদি ফিদম ওইহৌরনি। নুংশিতোম্বীনা লমচৎ মপূং ওইরবসু মেম্মীগী শক্তম খক মুৎথৎপা ঙমলরোই। ফজবা খূৎশেম অমনি। অতোপ্পা অমনা সনাজাউবগী ছাত্রি এম এ তল্লিবী সনাথোইগী লমচৎ অসিনি। ছাত্রি মানা ওজা সনাজাউববু ওজা ওইনা নুংশিবা ঙম্লুদবা, মখূৎনা নোট বুক্তা য়েপ্তুনা চিঠি পীরুবা মওং অসি হৌজিক্কী ছাত্রিশিংগী তৌবা ঙম্বা হেনগৎলকপা মওং অমা উৎপনি। অদুবু ওজা সনাজাউবনা ফজনা 'মসি হৌনদে' হায়না চিঠিদু হল্লকপা, মতম চানা ফোৎহৌবা ফিনা শেগায়বা তরা কনবা ঙম্মী উৎপনি। লাইরিক্কী মঙল হাপকৎলি, অদুবু ৱারীদা ঈথিল পীবা ঙম্বা ঈচেলদি ওইখিদে। অদুবু সনাথোইনা থমোয়দা আশা থাদোকখিদবা অদুনা তুংদা থুংনরক্কদ্রা হায়বা অমদি অপাবশিংদা খলহল্লি। অহৈবা খূৎই ওইথোকখি।

য়াঙনা চেন্থরিবা ৱারী ঈচেল অসিদা অয়েৎ-অপন য়াম্না পীদবগী নোবেলগী হৌনবী কনফ্লিক্ট, ক্রাইসিস, ক্লাইমেক্স হকচিনবা য়াওদবা ৱারীনা মপূং ওইবা নোবেলনি। নুংশি লম্বীদা খুরৌ থাংবা হায়ববু নুংশিতোম্বীগী মমা-মপানি। খুরৌ অসি থদৎপা ঙমখিদবা নুংশিতোম্বীগী লমচৎ, মতম অসিগী খুন্নাইগী অহল-লমনবু লুনা লৌবা মচৎ অমা শেমগৎপনি। ফজবা ত্রেদিসনদি ঙাকপা ফৈনা হায়বদু অইবীনা উৎনবা হোৎনবনি। মতমসিগী চনুরাগী শক্তম চপ-চানা লৌবা ঙমহন্দ্রবসু অইবীনা নুংশিতোম্বীবু মথৌ হাপ্লি মৌ ওইরগা। নুংশিবা কাউথোক্তুনা নোংমখক থেংনবা মপূরোইবা অদুগী দশা পূম্বা খাঙমিন্নদুনা চপ-চাবা শাগৈগী মৌ অমগী মশক উৎলকপা অসিদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা ওল্লকই। নুংশিতোম্বীগী লমচৎ অসি মিরাংদা পল্লবা অকংবা উনা ওইরম্বদগী মালং শাহুমদা লয়না জগোয় শাদুনা অয়েংবগী মিৎ পেলহনবা শক্তম অমা ওইহনবা ঙমখি। মসিসু অইবীগী হৈ-শিংবনি।

লোইশিল্লকপদা ফত্তবা কারবার তৌবা কাঙবুনা মায়থীবা ওইদুনা লৈবাক্কী আইন মথৌ তৌহনবা অসিসু অইবীনা লৌখৎলিবা থিম অসি লৈবাক্কী মাঙনবা তৌরিবা কাঙবুদা চৈথেং অমা পীবা মতম য়ৌরে তাকপনি। মসিসু ফজবা পোলোইনি হায়নীংঙি। শেলনা মীগী মমল ওনবা কান্নদে হায়বা পাউতাক অমসু পীরি।

অরোইবদা অইবীগী খূৎশেম ৱারী অসিদা ৱাহং অমা ওইনা লৈহৌরদৌবা অমদি নোবেল অমদা য়াওদবা য়াদ্রবা দেস্ক্রিপ্টসন (Description) হায়বা শরুক অদু কমদৌনা কাউথোক্লম্বনো হায়বসিনি। শরুক অসিমদি ইৱাৎ ৱাৎপগুম উরি। মসিমতংগা হাপচিল্লবদি হেন্না ফজবা ওইগনি। অদুগা ৱারী লীবদা ফার্ষ্ট পর্সন্দা লীরম্বদগী শ্বাই মাঙখিবা মতাং খরা খরা থেংনরি। Omnipresent Third person অমনা লীবা মরক্তা লীখুন মাঙখিবা মতাং য়াওরি। মথংগী এদিসন্দা য়েংশিনহন্নীংঙি। মথঙগী খূৎই য়েংনীংলকই।◀◀

# ৱারেপ

**চহী** ফানা য়াল্লরিনি, ইবেমুনা লমলোং কৈথেলসিদা কবোক য়োনফম ফল্লক্লিবা। কবোক য়োনবীদি মাদা নত্তে লমলোং কৈথেলদা। কৈথেল লাইরেম্বীনা চানবরা ইবেমুগী পোৎফম মী ইল্লি, পোৎ শিৎলি। মশাদি নহামক হায়বা য়াদ্রবমকসু মশক্তু ইনৌদা নৌই। নহা অদুম মাল্লি। মী পিক্তক চেংতক শক খাঙবা হায়দুনি। ইবেমু কৌজবৈ ৱানি, কুচু পাল্লি; মতু লংই তনান তনাল্লি। মচীন-মখা মী খোল্লি। খোন্থোকসু নুংশি।

ইবেমু নোংথোলনা ফাদুনা লৌখিবনি। খুদাং পায়দুনা ফাদ্রমকসু লৌশিং তৌদুনা মখুৎ চনখি। নান্থোকপা য়াখি অদুবু ইবেমুনা খাঙখি। মহাক য়াম্না পেনখিদে। শাগৈ চাউদবা, মপুং-মৌপ্পা মখুরা মতোন লিংদবা ইবেমু লুখ্রাবী মমাগী মচীন-মনাও মরীগী কোকহন লাইহননি। কলেজ অহানবা কারকঙৈ ইকুই কুইদনা গুন্দা চঙবা নোংথোলনা ইরায় লায়না ইবেমু লাকখি। অয়াম্বনা ইখঙ খঙনৈ নুপী অঙাংশিনা হেন্না নুংঙাইনখিদে। মতমদো ইবেমু কপ্পি ইপঙ পঙনা। হোয়সু মাইসু হায়দে, পঙকপ্তা কপখি। থোকখ্রদি থোকখ্রে হৌখ্রবদি হৌখ্রে খনবরা খঙদে, পঙখাঙতা খাঙই।

ইকুই কুইদে। অঙাং অমা লৈরবা মতুংনি, অসামীনি হায় নেপালিনি হায় নুপী অমা পুরক্লগা ভারাদা লৈখি। করিগীনো খঙদে মদুদসু ইবেমু নোংথোলবু তান্নরুদ্রে। কাবক কাবক মখোঙ থাংবা হৈরবা মচাদু য়েংলগা লেল্লকই। মরক-মরক্তা নোংফাদোক নোংথোল লাকপদা ইবেমুনা মপি খাঙদুনা হায়,

- ভারাদা লৈদৌ শরুক য়ুমদা অদুম পুশিনবীরক্লো। নোংথোলনা করি থোইনা নাচুংদনা খুন্মি,
- মানবু য়াদেনে।
- মাবু য়ুম পানগে লাক্লবা নৎত্রনে?
- মাদি হৈনরোই।
-করিগী ? ঐনা তম্বিরগা লোইরে।
- মতানা য়ুমসিদা লৈবা পামদেনে।
- য়াননবা থেম্বিয়ু। মীগী মমাঙদা ইকায়জৈ।
- থেল্লবসু য়ারোইদবা লৈ।

ইবেমু ভাব তাই। মখা তাদে। করি খনবনো ৱাফমদু অমুক হনখিদে। মমা লাক্তুনা মঙোন্দা হায়রৈ,

- ইমাগীদা লৈশি, ননাওশিংগসু তান্নরবনি। অঙাং য়ামদ্রিঙৈসিদা মুন্না খল্লু।
- ইচা লৈরিসিদি। মানা ঙাওদুনা কয়াম কুইনেগে ইমাঃ

ইবেমুনা থৌ-ৱা শাদনা ইরায় লায়না খুমদোকই।

- নচা য়ামশিনখ্রদি নঙতনি নম্বো য়ামদৌবা। মতাংদুদদি নখোঙ কানথোকপা ৱানিনে। খল্লু, মুনা খল্লুকো।

মমা লুখ্রাবীদুনা চৎখ্রবা মতুংদা ইবেমু কপহৌই। মমানা লুকথদুনা কোন্থোং লানথোকখিফাওবা মমিৎ কুপ্তুনা য়েংহৌরি, নুংদা হায়রি - নচা ঐগী পোৎলুমদি কৈদৌঙৈদা ইমাদা থোঙ্গৎলমলরোইকো!

মতমদু ইবেমুগী মমা লমলোং কৈথেলদা কবোক য়োনফম ফল্লি। হৌজিক ইবেমুনা ফল্লিবা পোৎফম মমাগী পোৎফমনি। মমা লৈখিদ্রবা মতুংদা পোৎফম অদু ইবেমুনা শিলহৌবনি। মমানা শোল্লক্লবা মতমদা নোংমা মঙোন্দা হায়খি,

- ইবেম্মা! নঙনদি খঙদ্রিবা, শেল ঙাক্তসু তানগনু। নহা ওইরিবী নখোয়গুম্বনা কৈথেলদা থোক্লগা শেল তানবসে মীনা মীৎয়েং চঙনিদো। নুপীগী খোঙথাংদি লুখ্রবা! য়ারদি মপান থোক্তনা নচা য়োকপা ঙম্নবা উপাই অতৈ য়েংশিকো।
- মীগী মীৎয়েংগী পোইরৈ য়েংদুনা চৎপা তারবদি চৎফম খঙলরোই। ইশানবু চুম্না চৎপদা ওন্ননা য়েংলম্বা মীৎয়েংদুসু অদুম নোংমদি ফখিনি। খন্দবসু য়াদে, খনমল্লবসু থৌনা হল্লকপা তাই। থৌনা লৈয়ুদি তাপীদনা ইমামক্লা ঐঙোন্দা অকিবা পোকহল্লে।

ইবেমুগী ৱাদা মমাসু য়ানিংই অদুবু তাকপী, মচাবু য়েংলগা,

- নপুরোইবনেনা তৌরিসিনা লৈতবগা চপ মান্নবসিদা ইমানা পঙখন খল্লুবনি। নুপা মানা ফৈগাক ফৈনা য়ুম্বানমিন্নরদবু কনানা কৈদৌদৌরিনো? ইমানা নঙবু নহৈ-নশিং তমহনবদি কবোক শাদুনা হিংননবা শেমখিবা নত্তেনে ইবেমু!

ইবেমু স্বাই লাউই, মমানা মঙোন্দা হায়খিবা ৱাহৈশিং নীংশিলকপদা। ইবেবু মশাদি খঙহৌদে - মমিত্তা ঈরা চেল্লম্মি। মফি ফিজিনা তৈথোকই। মমাঙদা পৈখৎলিবা কবোকশিংদো শেমজিন-শাজিল্লি। কৈথেলনি হায়বা নীংশিলকই।

- হো ইবেম্মা, পকচৈদকো।

ইবেমুগী মমাঙদা স্কুটর অমা ষ্টেন্দ তৌনা তৌনা নোবোনা হায়রকপনি। ইবেমুনা মুন্না য়েংলগা খুন্নকই,

- হায়মা, নঙ ওইরে।
- ঐ নত্তদি কনানা ননাক্তা লেপ্পিনি হায়গে ইবেম্মা। নুংঙাইজদেয়ে নতৌদো য়েংবদা।
- নঙবু কদায়দা চৎলুবনো? উনদবা কুইরেনে।
- ঐখোয়দি নুংতিগী উনজৈ, নুংতিগী থেংনজৈ।
- এ: কদায়না উনরিবা ঐগা?
- ও, উনবা নত্তে। উই হায়বা।
- অঙাং কয়া শুরগে নঙবো?
- অনীখক। খ্বাইদগী ফবা থিরিঙৈদা খরা থেঙখিদুনা।

থৱায় তানা নোক ইবেমু।

- নত্তে, ইবেমু নঙ নোংথোলদা অদুম পৎলবনিকো। অমদুবু জ্ঞান খরা তারব্রানে?
- কদায়দৈনো। নহালৱাইদৈদি খরা তারে হায়বা তাই।
- নচিন থীনু। নবুক শেংউ, নুংশিদুনা হংবিবৈ ৱানি।

ৱারী মখা তানিংদে ইবেমু। মপোৎ-মচৈ লোইশিনবা শাদুনা লৈ। কা হেনবা নোংথোলগী মরমদা মা মচীন কাঙনিংদে। মানা হেন্না পিং লাউনা অশাওবা পোল্লককই। মহাক শাউনিংলম্বদু ফাথৈ। ওমখৎতুনা লৈরিবা মৈচাক্তা মৈরী কাহনবা মহাক পামদে। ইচম চম্না পীক্লিঙৈগী লোয়নরকপা মরুপকী মমাঙদা মফম চাদনা নুপা থোকপা মপুরোইবগী মরমদা কুপ্পা ৱারী ৱাতাই তৌবদা ইকায়বদি পোক্তে অদুবু মখাদি তানিংদে। ইবেমুগী মতৌদুনা নোবো ভাব তাই।

- ইবেমু, কৈনোমা হায়রমগে চঙলকপনি। ঐনা জিরি চৎপদা মাগা থেংনৈ। নঙনা নপামদা হন্দ্রিমখৈ মা হল্লকওইগাসু হায়রকইনে। নুংবা নিংঙোলদুদি মশক্তি থীহৈ। মী খ্বাইগীদি অতোম্বীনা অহন্দগী ফজবা হেন্নৈ হায়। ঐ ওইরদি মদুনা চাক থোংলগা চাদৈ শরুক চারা হেন্দুনা শিজখ্রগে।

ইবেমু অৱাবসু লৈতে, নুংঙাইবু পোক্তে। ৱা থৈদোক্তুনা হায়রকই,

- ঐ নখোয়দা নোংমতদুম চত্থোরক্কে খনবনি। ইঙম হেক ঙমদে।
- লাকপিনু ইবেম্মা, ফিদা থাবিনবো মশা ঙমদদুনা লৈবা কুইরে।
- করি ওইনা মানা ঙমদ্রিব্রা?
- ওপরেসন অহুম্লক তৌরুবদবু কনানা ফদৌরিনো। স্কুটর হনুবীসিগা ঐসু কোয়চেন চেল্লিসিনি। চৎলগে, পঙহায় হায়বনি শাউনুকো।
- শাওদেদা।

খুমহৌই ইবেমুনা।

মরৈকায় অমত্তদা হৌমিন্নরকপা নোবো ইবেমুগীদি মরুপনি। মবুংগী নুংশিবা ফংদ্রবী ইবেমুনা নোবোবু মবুংগুম খঞ্জৈ অমুকসু মরুপকুম লৌজৈ। অমনা অমবু কোইনদে। লাইরিক-লাইশুগী মরমদা নৈনৈ। মরম অমগীসু তাথোক-তাশিন অখঙ-খঙদা অমনা অমদা তান্নৈ, তাকনৈ। ইবেমুগী লুহোংবগী মান্ধপ খনবা য়াওরৈ নোবো। পৈয়া শিরে নোবো, থৌরী ৱাৎলে নোবো, ৱা য়াল্লে নোবোনি। মবুকচেল তিংবা নোবো ময়াম্না নুংশিবী। লুহোংবা থিনবা য়াওরকপা নোবোনা চৎলমদাইদা ময়ামগী মতুং ইন্দুনা কন্যাগী কাদা চঙদুনা ইবেমুগী মকোক্তা নান্থবীরগা হায়রম্মী - "নুংঙাইনা পাল্লুকো।"

নোংথোলনা ইবেমুদা তৌরকখিবা চক্রিদা নোবোগী মমিংসু য়াওরকই। মান্ধপ খনবা য়াওরিঙৈদা ইবেমুগী মমাদা হায়নি নোবোনা-"থবক য়াওরবনিনা চাক্লৌবদা ঙা মতুম অনী হাপহনদৌনিকো ইনে!" ইবেমুগী মমানা হায়খি-"অনীতা নত্তে ইচানা পেন্দ্রিফাও হাপহন্নিকো।" চাক্লৌবা নুমিত্তা নোবো মশক উখিদে। নোবো পল্লকপদা ইবেমু শাওনিংখি। খল্লি - খুমদবনা ফরে। মসিমক্তি মা য়ানিংদে। তিঙ শোক্লা শাউনিংই। অদুবু হন্না হন্না খৎবা হৌই নোংথোলনা হঙ্গৎনা য়েংজদবী ইবেমুদা।

- অদুক পামজবা নোবোদুদা লৈহৌ য়াদ্রো?
-মাবুদংদি পনবিনু।
- ও, পনবা য়াদবোরে। মা শোকপা য়াদে হয়বা ঐদি খঙলুদে।
- খরসু য়েংনা ঙাঙবীবা ফৈ। ঙাঙনিংঙি হায়দুনা পঙহায় হায়বীনু।
- হায়বীগে নঙ, নোংথোলদা শেমদোকপিনবা মী পোক্তবনি। ... মথং মথং

*- হুইরোংবম বেনুবালা*